Sunday, January 17, 2016, Imphal
HUEIYEN LANPAO



"কদায়দা লৈবগে মীওইবা
কনাবু মীওইবা কৌবগে?
মীওইবগী ৱারী কয়াদা
লূপখ্রে মীওইবা কয়া মশীং থীঙমদনা।
কনানা মীওইবা ওইগদৌরিবনো
করি হায়রিবনো
মীওইবা
লৈরি
কনাসু খঙনদনা।"

— রাজকুমার ভুবনসনা

## কেকু লোৎপী
*রঘুবীর থিয়াম*

শান্নরম্মী মহৌশাদি
ঐখোয় অনী নুংঙাইনা
য়েন্নখাদা, কোৎখাদা, কাচীন কোয়াদা
কেকু লোৎপী।
মহাক্লা লোৎলি ঐহাক্লা ফোঙই
ঐহাক্লা লোৎলি মহাক্লা ফোঙই
ফোঙনৈ ঐখোয় অনী অমুক-অমুক।
লোৎখরে হন্দক্তি মহাক য়াম্লা চেৎনা
খঙদ্রে ঐহাক মহাক্কী লোৎফম,
ফোঙদ্রে অদুনা
শান্নদ্রে ঐখোয় অনী কেকু লোৎপী অমুক হন্না।
কিদুনা থোংখাদা লোৎলি।
মঙক থাঙ্গৎ থাঙ্গৎনা য়েংলি
মখোয় মশেন অমুক তুমিন্না
কপমীন্নরি।
অথেঙবা অহিংদুদা
মকুনা লাক্লা লাক্লা খোংলি
অথাপ্পদা মী শিবগী পুঙ ঝালগী মখোল তারি।
নুংশিৎ শিৎলি
অখাক অরাওগা লোয়ননা,
উচেকশিংনা শমজি খায়নদুনা
মহৈ মহৈ মকোন্দগী পাইথোরক্লি।
নুংশি হৈত্রবা
লৈক্রক চৎলবা পৃথিবীনা মখোয়বু
য়োৎকদবগী ময়া লাওনা
কাদুনা ঙায়রি।
শান্তিগী পাউজেল পুরিবী
মহৌশা পলেম ইমানা
অরি অনৌগী লংদাইদা
লেপ্তুনা মমায় ফিরুক
খুমদুনা থম্মোয় শোক্লা তেংথারি।

## খোঞ্জেলসিনা
*নাওরেম রোমিনা*

থোঙজিনসিমক্তনি নঙনা লেপ্লম্বা
নঙগী ময়াই কারবা মীনোক্কা লোয়ননা
শারি তপ্পা তপ্পা ঙসিসু
জগোই খূৎথেক চানা।

অসুম-অসুম শন্দোরক্লি
খোঞ্জেলশিংনা
মায়কৈ শিন থুংনা
লোইনাইদ্রবা ঈশৈ শক্লদুনা।



লন্বীসি
লৈনমতনা থল্লীবনি
চাইথোক্লদুনা হৌজিকসু
লাক্কদবা মখোয়শিংগীদমক।
অনৌবা পারাগী
চেনা হায়দোক্লদুনা
থিরগনি ৱাহৈ পূন্বা
কনা খঙহন্দনা।

মহৌশাগী কুম্মৈদু য়েংলি
তাইশিন্নবা য়াদ্রবা
ইবানীগী মরক্তা।
চোকথরে ঙসিদি
ঐ
নঙবু নীংজবতনা
ঙাইজরি নোংলৈ মরক্তসু।

অহিং কয়াদা
শুমবিখিবা নাউশুম ঈশৈনা
নাশোন পীক্লা তারি লোইনাইদ্রবশিং
নাপসিদা।

ঈচেল মচাশিংগী খোঙচৎসিদা
লৈতাবা ফঙজদ্রবা মঙলানশিং
অতিয়াদা কোয়পাই পাইরক্লি
মফম মতম নাইদনা।

অদুবু
ঙসিদি ঐ
পোমলক্লিবা পুন্সিগী মরুমদা
ইশাগী ইমিসিদা
শোয়দনা থিগনি
নঙবু।

## মঙ
*জমির হুসেন, জিদাহ*

ঐ খংপ্রেক খংই
ইখঙ খঙহৌদনা
ইমাংদা লেপলৈ,
শায়োন কয়া পুবা
চাকনিবা মানবা ফীজোলনা
লৈতেংলগা মোং হাদবা
শকফম ইমোৎতা মোৎলবা,
ঐ ইঙক ঙকই,
মিৎ উইশিন্দুনা খল্লি
ঐগী থম্মোয়নুংদা ৱাখল
মওল মওল
লংশুম তাবগুম তাশিল্লকই
পাউখুম ফংলরোইদবা ৱাহং কয়ানা
ঐবু ওৎলি...।
কোকশিদা লাম্বা ফংখিদে
মিৎকুপ্তা খঞ্জরুই মংলা?
তাইবংলা হায়বা,
নোকফেৎ তৌরম্লগা মাঙখ্রে
ইমাংদগী মিৎকুপ্তুদা...
য়েংহৌই ঐদি নিংঙমদা
মিৎয়েংনা ৱাহং কয়া হংজদুনা
ইদোম মিপাইজখি...।
ঐগী কোক্তা নাম্ববীরম্মী
চৎলুকো নঙদি অচুম্বা লন্বীদা
অৱাবা কয়া থেংনরবসু...
ৱাহৈসিমদি ঐনা নীংশিংহৌই
মঙফাওনরবা তুংদা।

## নফম নৎতে হনখ্রো
*নোমিতা খোংবান্তাবম*

হোংলে মতমসি ওল্লবনি হায়সিরা
চাওখৎপগী পুন্সিনি খন্না ৱাখলসিদা
মতমগী খোংলৈদা ইন্নরকপনি হায়গদৌরিব্রা
নোংদম্বগী নোংদমখোল,
ঙাইখিগদ্রা ঐখোয়বু
পেন্থোক্তুনা অসুম হিংখিসিরা অসুম্না
অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ কয়ানা
মায়কৈ সলাই খঙলক্ত্রবা মতমসিদা
থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং পোলাংগুম্বা
থিদুনা মতম মাংনা লেনখিগদ্রা
ৱাৎতা পাদা শাদুনা উৎলিঙৈ
মনিং হন্না চেলক্লবা লমজেলদা
লৈরমদ্রে মফম থিরবদা পোত্থাফম
হংগৎনা চেল্লক্লবা তুরেলনি য়েংলিঙৈ
ইচেলগী হাইদা লৈথোন্দুনা লৈরম্লে
চঙক্লরিঙৈ কনানি হায়গনি খল্লিঙৈ
খোম্থাং য়ৈনা নিল্লবা খোঞ্জেলদা
লাউরকই নফম নত্তে চৎখ্রো।

## চহীসিদা
*শামু য়াংলেম*



অরোইবা চহীনা
অথেঙবা অহিংদা
মী অশিবগী
কূ চিংদুনা চৎলি।
লন্বীগী চিদাইদা
হৌরিবা উ পান্বীশিংনা
তুমিন তুমিন্না লেপ্তুনা
য়েংলি
অহিংদা য়ারেকপা
কৈথেলগী পৈশা খুনবা
মফি শেত্তবা অঙাংশিংদুনা,

## ঈশৈ -১
## করম্বা নিংথমথাদা

করম্বা নিংথমথাদা করম্বা কালেন্থাদা নঙনা
চানবীদবা য়াওবগে নুংশিরবী ইমা!
পোকপদসু শোঞ্জে শিবদসু শোঞ্জে
ইমাগীসু ইমা পোক্লফমদি ইমা
ময়েক অনীসিতা কাউজদবা পীনৌ
হিংবা শিবা খন্দে করি থূক্তে থম্মোয়
    চানবীবদি নুংশিবনা লমনশিংনি
    নুংশিরবী ইমা।
নুংশা'ই মৈশাবুসু চমহনবীনে ময়াই
খারম-নামীবগী মশক লৌনা নঙনা
নিংথম উল্লেনবুসু ঙাকথোকপিনে ঈংবা
মরুভুমিগী মৈশা ওইনা নঙনা
    'সিদ'ই হেন্না চানবীবদি লৈর কৈদা
    নুংশিবরী ইমা।

## ঈশৈ -২
## নুংশিবা থিবদা চৎলুরে কোয়না

নুংশিবা থিবদা চৎলুরে কোয়না
পামজবা থিবদা চৎলুরে কোয়না।
    ইমা ইরৈপাক! লৈরমদরে নঙগুন্বী
    নঙগুম্না নুংশি-খঙবী অতাঙবনি মালেমদা
করি শুমহৎয়াইনো ইমা নঙনা পুরিবা
    খঙঙমদ্রবা মায়ানি।
ইমা নঙবু শেল্লকঙৈ উফুল মরীক-মরীক্তা
    নুংশিবগী লাইজবু খীক্লা চাইখিবরা
করি মনুংশিনো ইমা নঙনা ওইরিবা
    খঙঙমদ্রবা নগুণনি।
চীংবু য়েংলে মনুংশি, তম্পু য়েংলে মনুংশি
    করিদা মনীংথিজনো!
নঙগী হায়বা পূম্নমক্তা নুংশিবা মহাও হাপ্লিবা।

*ঈশৈ অনীমক্কী শৈরেংবা ঃ বি জয়ন্তকুমার শর্মা*

লাইরিক্কী মপাউ

# পোনগী চেক্লানি ঐ
## (ঙাইবগী অৱাবা খাঙলিবী মমা অমগী শৈরোল)



| | |
|---|---|
| মমিং | ঃ পোনগী চেক্লানি ঐ |
| মখল | ঃ শৈরেং |
| অইবা | ঃ তাওরেম ওংবী সুনিতিবালা |
| ফোঙবা চহী | ঃ ২০১৫ |
| লামায় | ঃ ৫৪ + XVIII |
| অফোঙবা | ঃ অশাংবা কম্যুনিকেসন, ইম্ফালগীদমক তাওরেম মঙ্গিনা |
| মমল | ঃ লু: ১৫০/- |
| ফংফম | ঃ অইবগী য়ুম অমসুং ইম্ফালগী লাইরিক য়োনবা দুকানশিং |

### পাউদল্লিবাঃ সলাম তোম্বা

**হায়নরিবনি** ঙাইবমুক ৱাবা লৈতে। অদুনা হায়নৈ অশি লৈবাক্তদি খ্বাইদগী হকপা চৈরাকসি ঙাইবনি, ঙাইহনবনি। ঐখোয়গী ভাবনা শাগৎলিবা মৈনুংদা লংশিনবা, লংজানা শেৎতুনা চাহনবা অসিনচিংবা দন্দি অদুদি কৈসু নত্তে। মদুদি ঙাইহাক অৱাবা পীরগা শিখ্রবনি। অদুবু চহী চা কয়া ঙাইদুনা লৈহনবা, চাক্তুনা লৈহনবা অসিদি কয়াদা অৱাবগী মশক্লো। অদুনা নুংশিবা, নুংশিবী অমমন্না অশিলৈবাক্তা ঙাইনহন্দুনা থম্বা অসিদি মতৌ য়েংহৈদে হায়রি। অদুগা তাইবঙপান অসিদা খ্বাইদগী ৱাবা অসিনা নীংশিংবা কৌবা অসিনি হায়। থবক ৱানা শুহনবা কৈসু নত্তে, চাদবগী ৱাবা কৈসু নত্তে, নুংশিবা অমা মাঙখিবদু অসুম নীংশিংদুনা লৈবগী অৱাবসিদি করি অমুক হায়রুনি, শিবা ফাওবা ঙম্নরিবনি নুংশিবা অমগীদমক। অদুনা ঙসি পায়খৎলিবা লাইরিক অসিদি অতৈ নত্তে, ঙাইবা অমসুং নীংশিংবগী চৈনা অনীমক ফংলবী মমা অমগী থৱায়গী শৈরোলনি। করিগুম্বদা কপ্পা, করিগুম্বদা পেন্দনা, অমুক্লা লাইবু চৈনা, অমুকসু লাইবকপু খুত্তুম শুনা খাঙলিবী মমা অমগী থম্মোয়দগীবু করি থোক্লক্কনি, তেংথাখোল নত্তনা। অপাবা খুদিংনা মিৎলু চোৎতনা তোক্লরোইদবা শৈরেং খরনি পাবা ফংলিবা। শৈরেং ৩৭ খক্লা শেল্লকপা নাচোম অসিদা মচা কায়নবগী শৈথারোলনা ৮ নি। অতৈনা অদুগুম্বা মৈচাক পুরিবী মমা অমনা লমদমসিদা য়েংলু য়েংলুবদা পেন্দবা কয়াদু ৱাকৎচবনি কনাদনো হায়ফম খঙদনা। ডা. লাইশ্রম ইমোবনা ওন্থোক্লা ফজনা, চুম্না শৈরেংশিং অসিবু শরুক অহুম থোক্লা খায়দোক্তুনা ৱাহৌদোক অমা ইরি। মসিমক্লা লাইরিক অসিগী মমল লেপ্পদি লোইখ্রবনি। অদুবু পারম্বদা ৱাহৈ খরদং অমুক ঐসু হায়নীংলকই, মদু নৎত্রবদি কায়না মৈশা লাংলিবী মমাগী থম্মোয় লমন অমা তোলহৌগদবা মাল্লকই।

"শুল্লমগে ইমানা নমান্নবশিংগী মনাক্তা/মীকোক থোংবা অফবতা ওইরকউকো/পোত্থাহৌরোকো অতোম্বা পোত্থারো" ৱাহৈ খরা অসিনা অপাবশিংবু শোয়দনা নুংহিক্লহনগনি। মমাসিনা পীকখ্রবা মচাবু মুম্বাইগী সমুদ্র খোঙবান্দা, শিবাজি ক্রিমেটোরিয়ম পার্ক্তা লৈরোল চল্লবা তুংদা মচাবু নাউথেম ঈশৈ ওইনা শোল্লম্বা ৱাহৈনি। অঙাওবী ওইরবী মঙোন্দা মচাবু তাইবঙ থাদোকখ্রে হায়বসি খক য়াজদে। মোংফম মরক্তুদা মচাবু শুন্বীরম্বা ওইনা উরি, য়াইফ মঙ্গোল পীরল্লি, অফবতা ওইরকউকো হায়না। মসিনি মমা ওইবীগী চাংদম্নবা ঙমদ্রবা মীনুংশি, 'সহরদো' হায়বা শৈরেংদা উৎলিবা। মমাসিনা থাজৈ মথঙগী মপোক। অদুনা হায়জৈ মচাদুগী থৱায়দা, "লাইবক ফবা নঙদি/মপোক লাংওন অমদা/পলেম ঐগা থেংনরবা/পলেমগী খোল্লাং তেংলখোকো/ঙাইরমউকো মপোক অমদা।" (নীংশিংবদা মহাকপু, লাঃ ১৩)। নুংশিবগী ঈচেলনা পল পূম্বা নমখায়দুনা চেন্থরকপগী ঈরাউখোলনি, শিবনা পংখৈ ওইবা ঙমদ্রবা মমা মচাগী থম্মোয়গী মরীনি। ঙাইদ হেক ঙাইরমগদৌবা মতৌনি। থেংনসনু মপোক অমদা, তেংলসনু থৱায় অপীখক অদুনা মানা থকপা লোইখিদ্রবা মমাগী খোল্লাং। মতাংসিদা নীংশিংলকই ইংরাজি অইবী ডি জি রোসেতিগী ৱাহৈ। মানা হায়, "নুংশিবদৈ হেনবা করি লৈ। নুংশিবদি স্বর্গ য়ৌবগী অরোইবা খোঙনেৎফমদুনি।" কয়াদা ৱাংনা থাঙ্গৎলমখ্রবা নুংশিববু। শৈরেং অসিমক্তদা মমা ওইবীগী মতৌ মিৎতা শংশং উরকই। চারে-চাফম খঙদ্রবী, তূম্লে তূম্ফম খঙদ্রবী মঙোন্দদি উরু খুদিং মচা অদুমক্লি, তারু খুদিং মচাগী খোঞ্জেলনি। অদুনা হায়জৈ মতোমতা, "ইমাগী ইবুংঙো/অহিংদা হারৌগী খোঞ্জেল তারুবা/নঙগী খোংজি মখোলনি খল্লুরে/হৌমিন কামিন্নবা কয়া উরুরে/মখোয়গুম চাউরল্লগনি খল্লুরে/ইমানা খঞ্জবতা মঙায়রে থম্মোয়দা।" কয়াদা নুংশিখ্রবা মতৌনো।

লাইরিক অসিগী শৈরেং খুদিংমক শৈরেংগী মশক্তা য়েংলুরবদি নৌনা থোক্তবাা য়াই অদুবু থম্মোয়দগী চেন্থরকপা ঈচেলদুদি তশেং তশেংই, অশেংবা থৱায়গী মপাউখোলনি। ইংরাজিগী মহাকবি মিলটন্না হায়রম্বা, "শৈরেংদি চমগদবনি, হেক খঙগদবা, থম্মোয়গী মপাউখোল ওইগদবনি" হায়বদুমক্লি। চম্না ফজৈ, পাদবা ঙমদে। নুমিৎ ৩৭২ খক পুন্সিরম্বা মচা মীরোল তাদ্রিবা অদুগী মফমদা নুমিৎ ১৫১ নি লায়েংবদা কনবা ঙমহৌদ্রবদা করম্বা মমানা খাঙবা ঙমগনি। মথংগী মিৎকুপ্তা মচাগীদমক খল্লকই। অদুনা চে কলম পায়খৎলকই। অদুগা চেন্থরকপা থম্মোয় ঈচেলদু অঙৌবা চেবাংথক্তা অদুম চেন্থহনবনা লেঙদ্রবা ওইরনি খনবা মতৌনি। মসিদি অচুম্বা খোঙথাংনি। নীংখায়খিনি, অয়েকপা শক্তমসু নোংমা শেগায়খিনি। অদুবু নুংশিবা মাগীদমক ইরিবা শৈরেং অসিদি মতম্না চামথোকপা ঙল্লরোই, কুইরা কুইরগা অসুম নৌবা হেল্লক্কনি। অদুমক্লি অইবী অসিনা থৌরাঙজরিবা। মাগী শৈরেংশিংবু মানা অসুম্না হায়জৈ, ঙৌরবা চেবাংথকসিদা/কলমগী মতেং লৌজরু/হৈরাং-লৈরাং মহুৎশিন/করিনা লৈচল শেল্লুনি ৱারৌনুকো/ইমাগী য়াইচেনবা।" (খুদোল অমতং নঙোন্দা, লাঃ ৩)। মসিদি মচাগী নীংশিং খুভম শেল্লম্লবনি, কুইরা কুইরগা ফজবা হেল্লগদবা/অচুম্বা ৱাখলনি, মমা ওইবীগী। অমুকসু কয়াম লুনা মচাবু লৌজবগে হায়বদু মথঙগী শৈরেং অমদা থেংনগনি। মাগী 'সহরদো' হায়বা শৈরেংসিগী লোইরকপদা মানা অসুম্না হায়জৈ "মুম্বাই কৌবী নহাকসে/নীংশিং লমদম থোল্লগে/শিন্নরম্লবনি, লৌশিনবীয়ু নৱাসিবু/কোনশিনবীয়ু নথানুংদা চেৎনা/চীরোল খারোল চঙদ্রিবা নৱানিকো মহাক্তি।" মসিদি মিকোল থাগোল্লম্লবা পরেংশিংনি। মচাগী লমন তোন্দ্রবী ওইরে। মচাগী থৱায়গী লন্বী তাক্লম্লগা হল্লক্লে।

তাইবঙ জীব ওইবনিনা শিদে খাক্লা হিংলবসু নীংশিংবা কৌবা চৈরাক্তুদি কোকপা ঙমদ্রি। মচাগা ঙাইনরি মপোক লাংওন অমগীদমক। ৱারী শারি থৱায় মশেল। অদুনা অমুকসু হায় মহাক্লা মচাদা, "তাইবঙদা ইমা হায়বা কৌবা ফংজদ্রবা/মঙলান্দা অমুক্তদি লাকখোবা/অমুক্তদি ইমা হায়না কৌরখো/" (ইচা হল্লকপা ঙাইরি, লাঃ ১১)। অশি অচঙ উনফম্নি, মঙ। উনসনু থৱায় অনী পেন্না মপোক অসিমগী।

শৈরেং অতৈগী মপাউসু লৈরি। অইবীনা ইরি, লমদমসিগী তংদু লৈতাদ্রবা কয়াসি থাদুনা। অদুম পাবা য়াই। মরমদম মণিপুরবু চেৎনা লুনা তৌজবী অইবী অমনি হায়দবা ঙল্লোই। বন্দ, ব্লোকেদনা হারবা লমদমসিদা অইবী অসিনা তাক্লি, কনানো চৈথেং ফংলিবা। য়াথং তাউথরিবা মখোয়দু নত্তে, অৱাবা নংলিবা। শোকহল্লিবদি লাইরবশিংদুনি, শিন্মীশিংদুনি। অদুনা বন্দনা লেপত্রবদি নোংমদি অঙম অঙম শেত্তুনা চানরকখিনি হায়বা ঈঙ্গিৎ উৎলি। থাঙ পায়নরকখিনি হায়রি। অচুম্বা ৱানি। অমুকসু মীতোপ মীয়ানচানা থন্না লৈরক্লবদা চেকশিন ৱা হায়রি অইবীনা, "ও! লমদমসিগী ইমা ইচাশিং/খোঙফম চেৎনা লেপসি/ঐখোয়গী খোঙ্গুল মুৎফদে।" (খোঙফম চেৎনা লেপ্পু, লাঃ ২৮)। মণিপুর কায়খ্রগদ্রা ৱাজবনা হায়জৈ মীয়ামদা, "কাঙলূপ কাঙলূপ খাইফদে/তোখায় তাবগী, মঙলান মঙলনু/অপূনবগী ঙমখৈ শেল্লসি/" (অপূনবগী শক্তম, লাঃ ৩১)। মসিনা লোইদ্রি, মোবাইল ফোনগী ঈরাং, ফিজেৎ চাকচেৎ মাঙশিল্লকপগী মতৌ ওন্থোক্লা পেন্দনা ইরি শৈরেং অতৈদা। নুপী অমা ওইরুবগী নুপীবু ৱারৌরি অসুম্না, "নুপীনা জিন শেৎলে/নুপা নুপী খঙদরে/গ্লোবেলগী চৈথেংনা হুমখরে/ঐখোয়গী হৌরকফম কাউনরে।" (ঐখোয়গী ফিজেৎ, লাঃ ৪১)। অফবা খুন্নাই অমগী মঙ মঙলিবীনি হায়বা তাক্লি। অদুনা অইবীনা কনাদা তাইনদৌবা খঙজদে, অদুনা হায় পূম্নমকপু তেমশিনবা খূৎ অদু সনা খূৎনি হায়না। অদুগুম্বা খূৎ অদুদা হায়জৈ, "জাৎ বিজাৎকী খেন্নবা/লৈত্রবা লমদমদুদা তিল্লুনবা/সনা খূৎনা খুদোল তম্বীরম্মু/সনাগী থম্বাল শাৎহল্লম্মু।" (সনা খূৎ, লাঃ ২০)

য়ামখ্রে, অইবীগী শৈরোল। অদুবু শৈরেং খরদি অইবীনা মচাগী মৈচাক ফাওদ্রিঙৈদা ইবা মাল্লি। ইবগী মতম থাদবনা শৈরেংশিংসিগী প্রোগ্রেস তাকপদি লুনা থোক্লে। য়াওরি মসিদা লৌকোইগী ফজবা থাবা শৈরেং, অদুগা পুৱারীদা লৈহৌরগদবা অৱা চীং ময়াগী লাংথ্রে লৌকোলগী ফজবা থাবা, শঙাইগী মরমদা শৈথাবা শৈরেং কয়া।

পূম্নকসিগী মথক্তা ৱাখল লৈতানা ইবা, ৱাখল চঙবা শৈরেং অমা অনীসু য়াওরি। মহাক্কী 'লৈরাংগুম' হায়বা শৈরেং অসিদি মীওইপোকপু মশক মুন্না খঙবা খূৎইনি। শিনি খঙনা করিগুম্বা খরদি তৌবা চুম্মী। মীওইবা খুন্নাই অমা শেল্লম্নবা পীবা ঈঙ্গিৎনি। ওন্থোক্লা ফজখ্রে। য়েংবা য়াই, "পোকঙমদ্রবা মপোক্লি/করিগী য়েক্লরুগনি কনাগা/করিগী মাঙহল্লুগনি নুংশিবা/শেল্লমসি খেন্নবা লৈতবা/মীওইবগী খুন্নাই অমা/" (লাঃ ৪৫) মসিদি মিৎয়েং ওন্থোক্লা পাকখ্রে। মচাগী, মশাগী ৱাখন্দগী মীওইপোকপু পূন্না উবা ঙল্লকপা মিৎয়েংনি হায়দবা ঙল্লোই। অমুকসু অইবীগী মনীংতম্বা পামজবগী শৈরেং অমগা য়াওরি। মসিদা উৎলি নুপীগী নুংগী ৱাফম অমা, লোত্তুনা থম্বা ঙমদ্রবা। মহাক্লা খল্লি, নুপীগী মপোক্তি পোনগী চেক্লানি হায়না। অদুবু ফনা ফাজিন, পুনশিন্দুনা থল্লবসু নুংগী থৱায়দি পাইখ্রি মনীংতম্না পাইরিবা চেক্লালক্তা। মসিদি চেন্থরিবা নুপীগী ঈহৌসিদা ঈনোৎ হাপকদবা ৱাহৈনি। তরাম্না ওকফম থোকই।

অরোইবদা ৱাফম অমতং পল্লম্বা তারবদি অইবীগী মফমদা অসুম্না হায়নীংঙি। শেলীনা হায়রম্মী, "খ্বাইদগী নুংশিবা ঈশৈদি কায়রবা থম্মোয়দগীদা থোকপনি।" অদুনা তাইবঙদি শিনবা পোকপনি। মাঙখ্রবা ইচাগী মৈচাক্লা মুৎত্রিঙৈ, ইরম্মু ফজবা শৈরেং কয়া, নুংহিক্লবা কয়া। মদুনা অশি লৈবাক্তা পলেম লাকপা ঙাইরিবা ইচাদুগী মফমদা কৎপা অশেংবা খুদোল ওইহৌগনি। ইচাগী মিংলেনসু মুত্তনা লৈহৌগনি চেবাংথক্তা। মথঙগী শৈরেং ঙাইরি।।

হন্দোকপা

# ভাদারি
### লক্ষ্মিনাঠ বেজবরুৱা

**সিশুরাম** লৌবুক্তগী হল্লকপদা ঙাইরি। মহাক্লা লাঙ্গোল অদু শুমাঙদা মফম চানা থল্লে। হাথু-হাথু ঈরুজরগা খুদৈ হোংদোক্তুনা চাকখুমদা হোৎচীল্লক্লে। চাক্তি লোইদ্রি, অদুগা এঞ্জাংসু হৌজিক ফাওবা মৈদা থাঙ্গৎত্রি। ফীভমদু উবদা সিশুরাম শাউনীংলকই। থোংগদবা মনা-মশিংদু হৌজিক ফাওবা শেমদনা লৈরিবা অদুগা থাঙ ছুরিদুনা লা অমগী মথক্তা তাদুনা লৈবদু মহাক্লা উরকই। উৎ তোৎলবা ঙক্রা খরসু, গঞ্জা থক্লবা, নিশা পাল্লবা মীগুম চাইদুনা লৈরি। নাকল অমদনা লৈরঙ মনাক্তা ভাদারিনা মৈখু মরক্তুদা মিৎ উদবমখৈ মৈ কাম্লি।

চাক লোইরমদবসিদা সিশুরাম শাউবনা মচিং লাক্লম্মী। অয়ূক ঙন্তাদগী ৱাখল নুংঙাইতবসি হৌখ্রবনি। মরম কয়ানা শীং য়াঙদুনা মাগী অশাউবদু পন্দোন লোমখৎলক্লম্মী। মমাঙগী নুমিৎতুসু শম্পোৎ খোইবা য়াদে হায়নবা কৃষ্ণ একাদশী হায়বদু তাবনা খোইরুদ্রে। ঙসি অয়ূকসু ষণ পাবোৎতুনা চক্রি তৌমন্দুনা লৌবুক্তসু অৱাবা কয়া নংলুরে। অসিগীসু মথক্তা ঙসি অয়ূক অঙনবদসু মাগী হেক য়ূমদাইনরিবা বাহুৱাগা মাগী লমদা হেঞ্জিল্লি হায়বগী ৱাহৌদগী চীন্দা পাউদানদুনা খৎনরুরে। খৎনবদু অসুম কনখৎনরক্তুনা পোখায়বা য়ারম্লবনি। অদুবু বাহুৱানা থোক্লকপা য়াবা তমথীবদু হান্ননা উরদুনা লৈথোকখিবনি, কোঙ্গোলদু পোকখায়দ্রিঙৈদা। লিরবা হায়নবা অমা লৈ- কনাগুম্বা অমনা মপূং ফানা শাউরবা তাইনফম খঙদ্রবদি মাগী নুপীদা হেক হেক অশাউবদু হৈথবী। মমাঙগী হৌখিবা থৌদোক অমদসু সিশুরামবু বাহুৱাগী থৌওংনা শাউহল্লম্মী। অদুবু মাগী অশাউবদু ভাদারিগী মথক্তা হৈথবিরম্মী। ষণ শজিক মতম চানা হাপ্তে হায়না মরাল শীদুনা থীনা ফুবিরম্মী।

ভাদারিনা মালেম লৈমগুম মপুরোইবগী মীওৎ-মীনৈশিংদুবু ৱাকৎপা, তেংথা-নাওইবা তৌদনা খাঙলম্মী। তশেংনমক ভাদারিগী ৱাখলদা থাজবা অমনা চেৎনা মহুম শাখ্রে। অসুম্না মরক মরক্তা ফুবিবা তমথীনা তৌবিবা অসি ঐখোয়দা লাম্বা অমসুং তূম্নীংবা ফাওবগুম, য়ূম্বাল্লবা পুন্সি অমগী ওইফম থোক্লবা অমগুম খল্লম্মী। মাগীদি মপুরোইববু নীংজবা হায়বসিদা পোত্থাফম ওইরম্মী।

অদুবু খুদিংমক্কী পনখৈ লৈরিবনি। মালেম ইমা ফাওবা অৱা মৈশা খাঙঙল্লক্তদুনা তনীক তনীক খাঙলিবনি। অদুনা উপায় লৈজদ্রবী ভাদারিনা খাঙঙমদ্রদুনা করিগুম্বা ওনখৎলক্লবদি মসিবু মহৌশা নত্তে হায়বিগদৌরিব্রা?

মৈখু থাংলবা মৈদু কামখৎনবা হোৎনবদা ভাদারিদি শদৌ থোংলবনি। সিশুরাম্না লাপ্তক্লা মাবু খানা য়েংলদুনা খংলাউ লাউরকই।

"হে হুই ... হৌজিক ফাওবা চাক লোইদ্রিসিবু নমিৎতু 'সুক থেঙলবসি উদ্রবরা?" মাগী মায়থোঙদু শাউনীংবনা ঈ কাবমখৈ ঙাঙলে।

মৈখু মরক্তগী লৈথোক্লগা ভাদারিনা শৌ-শৌ লাউনা খুম্লকই, "চাক থোংবসিবু ৱাখলনা থোংগদ্রা? ইমুংসিদা শীং মচেৎ অমত্তসু লৈতে। শীং অচোৎপসি কাম্নবা হোৎনবদা মিৎ চোংথোক্কদৌরে। খজিক্তফাওবা খন্থদনা ঐদি ঙাঙলিবনি হায়না ঙাঙলিবদু চুম্লিব্রো?" মৈখুনা হাইহৎলবা মিৎতুসু ঈরাং চেল্লে।

"হে হুই করিনো নঙনা ঙাঙলিদো" সিশুরাম্না শংদোক্তুনা লাউরকই অদুগা লেংজুম শুপকৎলদুনা ভাদারি তম্না হোৎচীনখিদুনা লৈমায়দা তারিবা হৈজ্রাংদুনা ভাদারিগী নঙ্গন্দা থিলম্মী। ভাদারিনা থম্মোয় কায়বমখৈ লাউবদু তাবদগী ময়াম্বা কিনারাম্না চেনশিল্লক্তুনা অনীরকশুনা থিনদ্রিঙৈদা ফাদুনা সিশুরাম্বু মপান্দা চিংথোকখ্রে। উপায় লৈত্রবী ভাদারি খঙহৌদনা চৈনা ফাওরক্লম্মী। ঈনা ঈচেল ওইনা চেন্থরম্মী।

কোন্নথংদা ভাদারিবু হোস্পিটালদা পুখ্রে। হুমনি চনবা নুমিৎতা হোস্পিটালদা ভাদারি তপ্পা তপ্পা জ্ঞান তারক্লে। মিৎ পাঙথোক্লগা কোয়রৈ লৈদুনা কনাগুম্বকা মনাক্তা লৈব্রা য়েংলকই। মাবু শেন্নদুনা লৈরম্বা মীয়ামদুনা মনাক্তা চঙশিল্লক্লগা মাবু য়েংলকই। ভাদারিনা খোঞ্জেল নেম্না খোয়রাংনা হংলকই।

"মাবু কদায়দা লৈখ্রবগে?"

"কনাবুনো হায়রিবো?" শেন্নরিবা নুপাদুনা হায়রকই।

"ঐখোয় নুপাবুনি সাহেব" ভাদারিনা লৎকক তৌনা হায়রকই।

"ও! মীফত্তদুরা, আ লোক-অপ য়ৌখ্রে।"

"মাবু অসিদা মুক্তা কৌবিয়ুবা, সাহেব।" ভাদারিনা পূক্লিং নুংশিনা হায়রকই।

"মহাক্তি কমদৌনা 'সিদা লাক্কনি। মাদি হাজোৎতা লৈরিবনি। মাগী খল্লুরনু মাবু 'সুম নীংশিংদুনা লৈরবদি নঙগী অনাবসি হেঞ্জিল্লকপা য়াই।"

মাবু শেন্নরল্লিবা নুপাদুগী ৱাহৈশিংদু তাবদা ভাদারি মিৎ উইশিল্লক্লম্মী। থুনমক অমুক জ্ঞান মাঙখ্রে। দাক্তরদা ৱাফমসি খঙহনখ্রে। অদুদগী মাবু শেন্নরম্বা মীদুনা থোকখিবা ৱাফমশিংদু তম্লম্মী। মাগী মনাক্তা সিশুরামবু পুরকপা নত্তনদি অনাবদু হেন্না শোকচিনবা য়াই খন্নরম্মী। মহাক্লা সিশুরাম্বু ভাদারিগী মনাক্তা খুদক্তা পুরক্তুনা উনহল্লগা মাবু জ্ঞান লাকপ্রা য়েংনবা শীল্লম্মী।

মথং নুমিৎতা ভাদারিনা জ্ঞান অমুক লাকপদা সিশুরাম্না মনাক্তা ফমদুনা মাগী মকোক্কী ফারবা শল্লাংশিংবু খূৎশাশিংনা শমজেৎ হাৎপীদুনা লৈরম্বদু উরে।

মপুরোইববু হেক উবদা মহাক চনীং তাবগুম, মহাক্তনা নাক্তা লৈরবদি পূম্নমক শাফরগদবগুম ফাওরম্মী। মহাক তপ্পা মোমোন নোকচরম্মী, অদুগা হংলকই, "নঙবু করম লৈরিবগে? চাক-ঈশিংদি চাং নাইনা চারিব্রা? চাক-ঈশিং থোংবা, লাঙববু হৈনরিব্রা? খল্লুরনু, ঐসু ঙসি নোং নীনিসিদা শোয়দনা ফরনি। ঐবু য়ূমদা হনবা য়ানবা 'মুক্তা শীনবিয়ু, নঙগী নতেং পাংবা য়াননবা।" সিশুরামগী মিৎ অনীদা পিগী ঈচেল চেন্থরক্তুনা খজাই তম্না চেন্থখ্রে।

দাক্তরদু মনাক্তা চঙলকপা উরবদা ভাদারিনা হায়জরকই, "ঐবু অমুক পোকপীরিবা ঈশ্বরগুম্বা ইবুংঙো! ঐগী ইপুরোইবদা নত্তে তাইনগদবসে। মহাক্তি করিসু লান্দবনি। মাবু থাদোকপীয়ু, ঙাকপীয়ু, ঐনা নঙোন্দা হায়জরি- ইপুরোইববু অমুক্তা ঙাকপীয়ু। ঐদি থাঙ মথক্তা ইথন্তা তুশিন্দুনা শোকচবনি।" মাগী মিৎ অনীদা পিনা থুমহৎলে।

দাক্তরদুসু, এটেন্দেন্সতুসু অদুগা সিশুরামসু ভাদারিগী ৱাহৈশিংসি তাবদা ঙকচান্নরম্মী। সিশুরাম মহাক্লা লাল্লুবগী অৱাবদু পুবা ঙল্লক্ত্রে। মাগী থম্মোয়গী অৱাবদু ফুদোক্তুনা খঙহৌদনা অঙাং মচাগুম মখোল থোক্লা কপ্লক্লে।

"সার, হায়রিবা অসি অচুম্বা নত্তে। মাগী নঙ্গন্দা থাঙনা থিন্দুনা শোকহনবদু ঐননি। ঐসে মদুগীদমক ফাঁসি তৌবা য়ারবনি, পাপ চেল্লবনি। মপুরোইববু নীংজবী নুপী অমবু থাঙনা থিনবা ঙম্বা নুপাদু ঐনি", মহাক্লা থম্মোয় শেংনা তেংথারকই।

চয়োল খরগী মনুংদা ভাদারিগী অনাবদু খরা খরা ফগৎলক্তুনা হোস্পিটাল থাদোক্লম্লে। অদুবু মহাক্লা সিশুরামবু আইনগী চৈরাক্কী খূৎতগী কলহৌনবা হোৎনজরবসু আইন হায়বসিগী লীচৎতি তোপ তোপ্পী অদুনা সিশুরাম্বু কৈশুমশঙদা থা অহুমদং অকনবা থবক শুবগী দন্দি পান্দুনা থাজিনখ্রে। সিশুরাম মাগী লংশিল্লুবা পাপকী লমন কোকচরে খন্দুনা কৈশুমশঙদা হরাও হরাও চঙখিরম্মী।

ভাদারিনা, মশামক্লা মপুরোইববু অৱাফমদা তাহল্লি খন্দুনা শিরাপ তৌজরম্মী। মশাবু শিন্থোঙ খঙদবীনি খঞ্জরম্মী। মহাক্লা মশাবু চৈজরিবসি য়ৌনা মালেমসিদা লৈবা কনানসু মাবু চৈবদি ওইথোক্লরোই।।

*(ৱারীমচা অসি অসামীজদগী বিরিঞ্চিকুমার বরুৱানা ইংরাজিদা হন্দোকপদগী সনসম নবদ্বিপনা মণিপুরীদা অমুক হন্দোকপনি)*